# হীদাক কান্নরবা পাম্বীশিং ঃ চীংশু-নাপু # ৩০৯

– ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার –
সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইন্সটিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ



ঐখোয়গী লমদম মণিপুরগী চীংগী মফমশিংদা হৌবা অদুগা তোয়না য়াম্থত্তুনা শীং ওইনা থাদোক্লবা পাম্বী অমা ওইজরবসু হীদাক্কী ওইবা মগুণশিং অদুমক য়াওজবা পাম্বীনি চীংশু-নাপু হায়বসি। পাম্বী অসি ইংলিসতা য়েল্লো তীক্ (Yello teak) নৎত্রগা হলদু (Haldu) নৎত্রগা সেফ্রোন তীক্ (Saffron teak) নৎত্রগা টর্মরিক ৱুদ (Turmeric wood), হিন্দিদা হলদু (Haldu) নৎত্রগা হেদি (Hedi) নৎত্রগা কদমি (Kadmi), অসামিজদা টরকচাপা (Tarakchapa), মিজেদা লুংখুপ (Lungkhup), বেঙ্গোলিদা পেটপুরিয়া (Petpuria), সংস্কৃটতা ধারাকদম্ব (Dharakadambah) নৎত্রগা গিরিকদম্ব (Girikadambah) নৎত্রগা হরিদ্রাকা (Haridraka) নৎত্রগা নিপ (Nipa), নেপালিদা করম (Karam) নৎত্রগা কর্ম (Karma), ওদিষাদা হোলোন্দো (Holondo), গাও-ত্রোন (Gao tron) হায়না ভিয়েটনামিজদা কৌনরিবা উ পাম্বী অসিগী সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা হলদিনা *কোর্দিফোলিয়া (Haldina cordifolia (Roxb.) Ridsdale)* নৎত্রগা *এদিনা কোর্দিফোলিয়া (Adina cordifolia (Roxb.) Benth & Hook. f. ex B.D. Jacks)* নৎত্রগা *এদিনা কোর্দিফোলিয়া (Adina cordifolia (Roxb.) Benth & Hook-f. ex B.D. Jacks)* নৎত্রগা *নৌক্লিয়া কোর্দিফোলিয়া (Nauclea cordifolia Roxb.)* নৎত্রগা *নৌক্লিয়া ষ্টরকুলিফোলিয়া (Nauclea sterculiifolia A. Rich. ex DC.)* হায়না কৌই অমসুং *রুবিয়েসী (Rubiaceae)* শাগৈগী মনুং চল্লি। পাম্বী অসিগী বোটানিকেলগী ওইবা মমিংগী জেনেরিককী মমিং হলদিনিয়া হায়বসি হিন্দিগী মমিং হলদু অসিবু লেটিনগী ওইবা মওংদা শেমদোক্লগা থোনখিবনি অদুগা স্পিসিসকী মমিং কোর্দিফোলিয়া হায়বসিনা পাম্বী অসিগী মনা অদু কোর্দেট (Cordate) হায়বদি হার্ট নৎত্রগা ক্লা মনাগী মওং মানবা অদুদগী থোনখিবনি। শাগৈ অসিদা চনবা অতোপ্পা মরু ওইবা পাম্বী খরদি - মোয়ুম পাম্বী (রুবিয়া কোর্দিফোলিয়া), কবোকলৈ পাম্বী (গার্দেনিয়া জেসমিনোইদিজ), কদম্বা পাম্বী (এন্থোসেফালস চাইনেন্সিস), লাংবন-কৌখা পাম্বী (হেদাইওটিস ঔরিকুলাতা) অসিনচিংবনি।

চীংশু-নাপু হায়রিবা পাম্বী অসি ফুট ১০০ ফাওবা ৱাংবা দেসিদুঅস (Deciduous) হায়বদি চহী অমগী মনুংদা নিংথমথাগী মতমদা মনা কেনগনবা ময়ায় ওইরপ্পা চাউবা উ পাম্বী অমনি। পাম্বী অসিগী মনা অদু হেক য়েংবদা ক্লা মনা পাম্বীগী মওং মাল্লি অদুগা অপিকপা ঙৌরুনবা মচুগী শমশিং (hairs) পাল্লি অমসুং মনা অদু সেন্টিমিটর ২৫ ফাওবা পাক চাওই। মনাশিং অদু মখোক অমদগী মায়োক্লনা অনী-অনী পাল্লি। চীংশু-নাপু পাম্বীগী লৈশিং অদু য়াম্না কুপ্পী অদুগা মচুনা হঙ্গাম মপাল নৎত্রগা হঙ্গাম মপালদা ঙাংতক তৌই অদুগা মহৈ অদুনা মিলিমিটর ২-৩ লোম চাওই অমসুং মুশুক মুই। পাম্বী অসি ফেব্রুৱারী থাদগী মে থা ফাওবদা মনা লোইনা কেনখিদুনা মশাখক্তমক উবা ফংগনি। উগী মকু অদু মুতক তৌনা শাংনা-শাংনা চেৎখায়বা অমদি ময়ি চৎপা থেংনবীগনি।

চীংসু-নাপু পাম্বী অসি খা থংবা এসিয়াগী লমদমশিং মরু ওইনা ইন্দিয়া, য়ুনান, ভিয়েটনাম অমসুং খা থংবা মলেসিয়াগী লমদমশিংদগী হৌরকফম ওই। পাম্বী অসিগী মহৌশাগী ওইনা হৌজবা মরু ওইবা লৈবাকশিংদি ইন্দিয়া, ম্যান্মার, শ্রী লঙ্কা, বাংলাদেশ অমসুং খা থংবা চাইনাগী মফমশিংনি। ইন্দিয়াগী মনুংদা চীংশু-নাপু পাম্বী হৌবা মরু ওইবা মফমশিংদি - মণিপুর, অসাম, অরুনাচল প্রদেশ অমসুং খা ভারতকী মফমশিং মরু ওইনা খা নোংচুপ থংবা সমুদ্রগী মপালশিংনি।

পাউদমগী মতুংইন্না চীংশু-নাপু পাম্বীগী উগী মকুদা হঙ্গাম মপাল মচুগী নেপথাকুইনোন (Napthaquinone) গী কাঙলূপ্তা চনবা এদিনিন (Adinin) হায়রিবা পিগমেন্ট (Pigment) অসি য়াওই। হায়রিবা পিগমেন্ট অদু এদিফোলিন (Adifoline) হায়না মমিং থোনখরে। পাম্বী অসিদা য়াওবা অতোপ্পা মরু ওইবা কম্পাউন্দশিং অদুদি :-বিতা সিতোসটেরোল (β-sitosterol), বেঞ্জোইক এসিদ (Benzoic acid), অম্বেলিফেরোন (Umbelliferone) অসিনচিংবনি।

চীংশু-নাপু পাম্বী অসি মীওইনা হীরম কয়ামরুমদা শীজিন্নৈ। চীংশু-নাপু পাম্বীগী উগী মকুদগী হঙ্গাম মপাল মচুগী মচু অমা য়াওই অমসুং মসি শামতু অমসুং মখল খরগী লং অমসুং ফি মচু শংবদা শীজিন্নৈ। পাম্বী অসিগী উ অসি মহুৎ কুপ্তক্লা য়াম্না নানবা অমসুং কনবা মরম্না উপু-কাংথোল, থোঙ-থোঙনাও, টেবল-চৌক্রি চনবদা য়াম্না পাম্না শীজিন্নবগী মথক্তা শুম অমসুং লৈশৌনা ইচা-চাদবা মরম্না যূম্বী মখোঙ ওইনা শীজিন্নবদসু য়াম্না খুদোং চাই। খূৎশু-খূৎলায়শিংগী মখোক পানবা অমসুং মখল মখা কয়াগী লৈতেংগী পোৎথোকশিং শাবদসু চীংশু-নাপু পাম্বীগী উ অসি য়াম্না পাম্না শীজিন্নৈ। ফক্লাংগী পেনেল অমসুং যূমগী কাগী লৈমায় (Flooring) থাবদসু উ অসি য়াম্না মগুণ লৈনা লৌনৈ।

চীংশু-নাপু পাম্বী অসি মীওইবনা য়াম্না কুইরবা মতমদগী মখল কয়াগী অনা-লায়েংদা হীদাক ওইনা শীজিন্নরক্লি। পাম্বী অসিগী লৈ অদু ফজনা তকখায়রগা লৌবা অনংবা মহী অদুনা লাইবক্তা তৈদুনা কোক চিকপা অদু লায়েংনৈ। খোঙ য়াম্না কন্না হামথরবদি চীংশু নাপু পাম্বীগী নৌতক তৌবা মরা অদু ঈশিংদা ফজনা চামথোক্লগা খোনগুম্বা অমদা শুগাইরগা শুমদুনা লৌবা মহী অদুদা অচা-থুম খরা তুমহল্লগা শেন্বা মহী অদু চমচ ২গী চাংদাদা নোংমদা ৩ লক পীথক্তুনা লায়েংবা য়াই। চীংশু-নাপু পাম্বীগী উগী মকু শুগাইদুনা লৌবা অনংবা মহী অদু চাং নাইনা তৈদুনা উনশাগী মখল কয়াগী লায়নাশিং লায়েংনবগী মথক্তা অশোক অপন তৌবদসু চাং নাইনা তৈদুনা অনাবা অদু থুনা ফগৎহনবগী মথক্তা মহীক-মতাং মখল খরা হাৎপা ঙম্বগী পাউদমসু লৈ। হায়রিবা মহী অদুনা চাং নাইনা তৈদুনা অর্থ্রাইটিস অমসুং গাউট হায়না খঙনবা তাং-তাং চাওথোক্তুনা চিকপা-নাবা তৌবা অদুদসু য়াম্না কান্নবা ফল পীবা ঙম্মী। চীংশু-নাপু পাম্বীগী মরা অদু ঈশিংদা ফুৎলগা শেন্বা মহী অদু পীথক্তুনা নুপীগী থাগী খোঙকাপ চাং নাইদবা অদু য়াম্না কুইরবা মতমদগী শীজিন্নদুনা লাক্লি। হায়রিবা অশেন্বা মহী অদু পীথক্তুনা মলেরিয়ানা অৱম লাইহৌ তৌবা, চাবা তুমদবা, চাকখাও চাথৎপা, থিবোং-থিরিলদা তীল লৈবা অদুদসু লায়েংনবগী পাউদমশিং লৈ। অরিবা লায়েং পথাপ্তা চীংশু-নাপু পাম্বীগী অপোন্বা লৈ অদু শুগাইরগা লিননা চিকপা মফম অদুদা খুদক্তা থোমদুনা লায়েংনৈ। হেমিক্রেনিয়া (Hemicrania) হায়না খঙনবা কোক নাকল নামখক চীকপা অদুদা পাম্বী অসিগী মনা অদু শুগাইরগা থোমদুনা লায়েংবগী চৎনবীসু লৈ। ●

## ষ্টেটকী পাউ

### তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ইরাবতকী থৌরম পাঙথোক্লখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১ (ঐচএনএস):
লমদিং এদ্যুকেটেদ ৱেলফ্যের এসোসিএসন লেৱানা শীন্দুনা ১২৫শুবা লময়ানবা হিজম ইরাবতকী নীংশিং থৌরম ক্লব অসিগী শঙলেনদা লেৱাগী প্রসিদেন্ট এস ওজিৎ, ভাইস প্রসিদেন্ট এন ইনাওচা, সেক্রেটরি এন রোমেননা ময়ায় তাংবল লৌদুনা পাঙথোকখ্রে হায়না লেৱাগী প্রসিদেন্টনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি। থৌরমদুগা মরী লৈননা ইরাবতকী শক্তমদা লৈ কৎতুনা ইকায় খুম্নবা উৎখি।

অমরোমদা, দ টেম্পল ওফ য়ুনিভর্সেল পীছ এৱ্যেরনেস কম আর্ট এন্দ কলচরেল একাদেমিনা শীন্দুনা থৌবাল ৱাংমা তাবদা ইরাবতকী ১২৫শুবা মপোক কুমওন পাঙথোক্তুনা হৈ-লৈ কৎখি। থৌরম অদুদা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা এস আই আর দি জোইন্ট দিরেক্টর ও লোকেন্দ্রোনা অখন্নবা মীথুংলেন, আর্ট এন্দ কলচরেল একাদেমি থৌবালগী সেক্রেটরি সামোম রঘুমনিনচিংবনা থৌরম মপু ওইদুনা পাঙথোকখি হায়না একাদেমি অসিগী দিরেক্টর রতন লাইশাংথেমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, সলাই অপুনবা নুপী লমজিং লুপনা শীন্দুনা লময়ানবা জননেতা হিজম ইরাবতকী মপোক কুমওনগা লোয়ননা মহাক্লা পামজরম্বা লূ-নানবগী ৱাখল্লোন অদুবু ইকায় খুম্নবা উৎপা ওইনা থা অমা চুপ্পা সলাই অপূনবা নুপী অপূনবা লমজিং লুপনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লম-তূ শেংবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে হায়না লুপ অসিগী সেক্রেটরি এ কে শান্তিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, সেলিন দিজিটেলনা শীন্দুনা লময়ানবা হিজম ইরাবতকী ১২৫শুবা মপোক কুমওন থৌরম সেলিন দিজিটেলগী মিনি ষ্টুদিওদা পাঙথোকখ্রে হায়না সেলিন দিজিটেলগী ফিল্ড পব্লিসিটি ওফিসর কেএসঐচ জেমসনা থাদোরকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি। চেরোল অদুনা মখা তানা হায়, ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ললিত প্রিন্টিং প্রেসকী প্রোপ্রাইটর এল ললিত, এ এম কে টি পি দব্লিয়ু এগী সেক্রেটরি টিঐচ বদননা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখি।

### য়াইফ থৌজাল পীখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১ (ঐচএনএস):
কুমজা ২০২২দা পাঙথোক্কদৌরিবা ১২শুবা মণিপুর এসেম্ব্লী ইলেক্সনদা কুম্বী এ সীদগী বি জে পিগী ইন্টেনিদং কেন্দিদেট ওইরিবা বি জে পি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ভাইস প্রসিদেন্ট সঞ্জয় অহন্থেমবু মীখলদা মায় পাকহন্ননগীদমক পোল্লিং ষ্টেসন ২৯/২৭ তেরাখোং-বি মখা লৈকায়গী মশীং য়াম্লবা ইমা-ইবেল, অহল-লমনশিংনা সঞ্জয় অহন্থেমগী য়ুমদা লাক্তুনা ইমুংগী লৈজ-লৈজবা চেঙ, মনা-মশিং, মহৈ মরোং কয়াগা লোয়ননা শেল ওইনা লুপা লিশিং ৫০সু খুৎশিন্নদুনা মীখলদা মায় পাক্লনবা য়াইফ থৌজাল পীখ্রে হায়রি।

### হেন্দলুম হেন্দিক্রাফসকী পোখোকশিং হেনগৎহনবগা লোয়ননা নিঙোল চাক্কৌবা নংনবা ১ লৈবদা ২ হাপ্পসু য়োল্লক্লগনি: অচৌবা

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১ (ঐচএনএস):
হেন্দলুম হেন্দিক্রাফসকী পোখোকশিং অসি হেনগৎহনবগা লোয়ননা ওন লাইনদসু য়োনবা মীয়াম্না পাম্নরি। মসিগী মথক্তা অমুক হাপচিনবা অমা ওইনা ফিশাবী অমসুং তুবা তাইবশিংবু য়োকখৎপা ওইনা নিঙোল চাক্কৌবা নংনবা অমা লৈবদা অনী হাপ্পা, অমা হাপ্পসু য়োল্লক্লগনি হায়না মণিপুর হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফস দিভলমন্টে কোর্পোরেসনগী চ্যেরমেন সগোলশেম অচৌবনা লাউথোকখ্রে।

মণিপুর হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফ্ট দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসন লিমিটেদনা শীন্দুনা লম্বোইখোংনাং-খোংদা লৈবা এপেরেল এন্দ গার্মেন্ট মেকিং সেন্টরদা ফুরিৎ ফিরোল তুবগী থা অহুম চথুগদবা ট্রেনিং হৌদোকখ্রে। চ্যেরমেননা পাঙথোরকপা থবক থৌরমশিংগী এচিভমেন্টশিংসু মীয়ামদা উখোকখি।

অথোইবা মীথুংলেন ওইখিবা এস অচৌবনা মখা তারদুনা হায়খি, মণিপুরগী ইকনোমিদা খরদং ওইরবসু ফগৎপা ঙম্নবা হায়দুনা কোর্পোরেসননা পায়খৎচবনি। হৌজিক হেন্দলুমগী পুথোক্লিবা পোৎশিং অসি মতম মতমগী অহোংবা লাক্লিবা নীংথম কালেনগী মতুং ইন্না পুথোকচবা অমসু ওইগনি। বি জে পি লৈঙাক লুচিংলিবা সী এমনা থাজবা অমগা লোয়ননা চ্যেরমেন হাপ্পীখিবা অদুগী থাজবা অদুদা কোর্পোরেসনদা লৈজরিবা অমদি মেনেজিং দিরেক্টরগা পূন্না ঐখোয় হোৎনমিন্নদুনা পায়খৎচবনি। অদুনা ট্রেনিং য়াওগদৌরিবশিংনসু হৈহৌরগা শেন্থোক লন্বী পীবা হায়বদা চঙশিনসি। হেন্দলুম হেন্দিক্রাফশিংগী পোথোক পুথোক্লিবশিং ঐখোয়না য়োকখৎচবনি। অদুনা মখোয়বুসু য়োকখৎপগা লোয়ননা মতম মতমগী কুম্মৈ-ফিহোংগী অহোঙবা মমলদা য়োঞ্জনবা শেম শাবা হৌরে হায়খি।

থৌরম মপু ওইখিবা মণিপুর হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফস দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসন লিমিটেদকী মেনেজিং দিরেক্টর কে লাপ্লৈ কামৈনা হায়খি, ট্রেনিং অসি কৌবদা থাগী ষ্টাইপেন্দ হাপ্তে অদুবু থাগী লুপা ৩০০ ষ্টাইপেন ফংগনি। ট্রেনিংদা চঙলকপা হায়বসি কনাগুম্বা সর্টিফিকেট ফংনবা তম্বা লাকপসু য়াওই। মদু ঐখোয়নসু পামদে অদুনা ট্রেনিং য়াওগদবশিংগী ৱাখলদসু লৈরোইদবনি। ট্রেনিং য়াওরগা মীঙোন্দা অমুক তাকপা ঙম্বা ওইবগা লোয়ননা শেন্থোক লন্বীদা হেন্না ফগৎনবগী ৱাখল্লোন্দা হোৎনবা ওইসি। ট্রেনিং লোইদুনা হৈরবা মতুংদা থবক শুননবগী মফমসু লৈগনি। মসিগী পান্দমদা ট্রেনিং পাঙথোকপনি। হেন্দলুমগী পোখোকশিং অসিনা মখল মখা কয়াগী শেৎনবা, ইন্নবা নুপী নুপাগীদা তুরগা অমুক মমল তাথনা য়োনবা ঙম্নবগীদমক্তা হোৎনগনি। ট্রেনিংশিংনা তমগদৌরিবা মেছিন অসিসু জপানগী মেছিননি, মসিদা হৈনবা হোৎনসি হায়খি।

কোর্পোরেসন অসিগী জেনরেল মেনেজিং এদমিনিষ্ট্রেসন ই জিতেননা হায়খি, হৌজিক্কী মতমদা হেন্দলুমগী পোখোকশিং অসিনা খূদিংমক্তা দিজাইন তৌদুনা শিন্নবা হায়বসিদা চঙশিল্লগদি হেন্দলুমদা মীপান তাংদবা ওইহনবা ঙমগনি। মসিদা শুজরিবশিংবুসু য়োকখৎপা হায়বসি শীজিন্নবগী মখা পোনবনি। অদুনা তুবা, তাইবগীদমক্তা ট্রেনিং পীবা হায়বসি হেন্দলুমগী পোখোক হেন্না শীজিন্নবা ঙম্নবনি হায়খি।

### দ্রামা হায়বসিসু মীওইবগী হিংবদা চঙবা থাদোক্লবা য়াদ্রবা আর্ট অমনি: কে মেঘচন্দ্র

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১ (ঐচএনএস):
দ্রামা হায়বসিসু মীওইবগী হিংবদা চঙবা থাদোক্লবা য়াদ্রবা আর্ট অমনি। মসিদা য়োকখৎপা হায়বসিসু তঙায় ফদে হায়না ৱাংখেম কেন্দ্রগী এম এল এ কৈশাম মেঘচন্দ্রনা ফোঙদোকখ্রে।

ইষ্টর্ন মণিপুর দ্রামা ফেষ্টিভেল ওফ কন্টেম্পররি মণিপুর প্লেজ ২০২০, আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্ট গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী শেন্থং মখাদা পাঙথোকপা ফেষ্টিভেল লোইশিনবগী থৌরম বি টি লন্বীদা লৈবা রুপমহল থীএটরগী হোলদা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা লমজিংবীরম্বশিংগী মফমদা লৈ কৎতুনা ইকায় খুম্নবসু উৎখি অমদি ওজা অমসুং দিরেক্টরদা লেংয়ানফি খূদোল তমখি। থৌরম অসিদা অথোইবা মীথুংলেন ওইখিবা এম এল এ মেঘচন্দ্রনা হায়খি, রবিন্দ্রনাথ টেগোরনা হায়রম্বা মীওইবগী পুন্সিদা ঈশৈ ঙংদবা য়াওদে। অদুনা মীওইবগা শাগোন্নদুনা লাক্লবা দ্রামা লীলা ঈশৈ জগোই হায়বসিদি মুৎপা নাইদনা লৈগনি। অদুবু হৌজিক দ্রামা য়েংবা মীগী চাং ৱাৎলে হায়রিবা অসি দিজিটেল ওইনা থাদোকপা মতমদা মীয়াম্না য়েংদবা লৈরোই। মসিসু চাওখৎপা অহোংবনা অদুমক পুরকপনি অদুনা দ্রামা য়োকখৎনবা হোৎনবদা অদুগা চরাংপাৎকী লৈরিবা ইষ্টর্ন মণিপুর দ্রামাদসু অঙম্বা মতেং পাংজগনি হায়খি।

থৌরম মপু ওইখিবা মণিপুর কলচরেল য়ুনিভর্সিটিগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার মখোনমনি মোংশাবনা হায়খি, দ্রামাগী আর্ট অসি ঙসি শীথরক্লে হায়না লাউরি অদুবু কনানা ঙসি ফাওবদা তাবীরিবগে। মণিপুরগী কালা সংস্কৃতি হায়বসিদা ঙসি ফাওবদা মণিপুর লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙবসু ৱাৎলি। ৱাজরকপা কয়াগী খোল্লাউ হায়বখক্তদুনি। অদুগা হৌজিক্কী অহোংবা মতম অসিদদি পুথোক্লিবা দ্রামা অদুসু পামহনবা অমদি চঙই হায়খি।

মীথুংলেন ওইখিবা রুপমহল থিএটর দিরেক্টর লোইতোংবম ব্রজমোহোননা হায়খি, হৌজিক্কী মতমদা দ্রামা য়েংলিবা মীয়াম অসিদি নুংঙাইবদা য়েংগে হায়বনি। অদুনা নুংঙাইবা দ্রামা হায়বদু ওইহন্নবা হোৎনবা তাই। দ্রামাগী লীলারোই ওইবা হায়বসি কখোকপা অমগা লোয়ননা লাকখিবা হোৎনরকখিবা ঙাক্তনি। অদুনা কখোকপা অমদি অখাং কনবা য়াওদ্রবদি য়ারোই হায়খি।

ইষ্টর্ন মণিপুর দ্রামাগী সেক্রেটরি কাংবম বোরমনিনা হায়খি, ঙসিগী ফর্ষ্ট ওক্টোবর অসি দ্রামা লুপ অসিগী মপোক নুমিৎনি। মসিদা হৌদোকখিবা নুমিৎকা মরী লৈননা চথুরকপদু কোভিদনা মরম ওইরগা লোইশিনবা ঙমদনা লাকখিবদু ঙসি মপোক থৌরম অসিদা লোইশিনবনি। ফেষ্টিভেলদা উৎপা নংদনা লৈখিদবা টিঐচ প্রেমজিৎনা দিরেক্সন পীবা খুন্দোংবম ব্রোজেন্দ্রোনা ইবা ঐ মমানি, কংলৈ লিভিং আর্টস উচিৱানা ঙসি মীয়ামদা উৎপীবনি হায়খি।

### ফিট ইন্দিয়া প্লোগ রণ পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১ (ঐচএনএস):
অজাদ কা অমৃত মহোতসবকী শরক অমা ওইনা ১১৩ বট্টালিয়ন বি এস এফকী কমান্দেন্ট হিদম সুবোলগী মীৎয়েং মখাদা টেক্নিকেল হেদক্বার্টর লোক্তাক অমদি সী আই পোষ্টশিংদা অমোৎ-অকায় শেংদোকপগা লোয়ননা ফিট ইন্দিয়া প্লোগ রণগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা এন ঐচ পি সী গেটতগী লোক্তাক কেনেল, এন ঐচ-১৫০দগী কোম কৈরাক ফাওবা, মণিপুর এসেমব্লি কমপ্লেক্সতগী চৈরাও চীং হিলস ভিয়ু পোইন্টনম্বর-২, ৱাংজিং তেকচম লৈকায়দগী হৈতুপপোকপী, হৈরোক চীংদোংপোক চীং, তোর্বুং বঙ্গলো, তুইবুং ইষ্ট গাওন্দ, দি দি ষ্টেসন চুড়াচান্দপুর অমদি গাংপিমোল হায়রিবা এরিয়াশিংদা প্লাষ্টিক্কী ৱেষ্ট অমদি গার্বেজশিং খোমগৎতুনা মৈ থাদুনা মাঙহনখি। বট্টালিয়ন অসি ফোর্সশিংনা অকোয়বগী শক্তম ঙাক-শেন্নবগীদমক ৱাশক লৌমিন্নখি হায়নসু ১১৩শুবা বট্টালিয়ন বি এস এফকী দিপ্যুটি কমান্দেন্ট কে সী য়াদবনা থাদোরকপা চেরোল অদুনা মখা তারি।

### মণিপুরদা সীজফায়র লৈতে হায়বসি ইন্দিয়া লৈঙাক অমসুং মণিপুর লৈঙাক্লা শেংদোকপীয়ু: অমুসনা

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১ (ঐচএনএস):
হাই সিক্যুরিটিনা ঙাক-শেল্লগা লৈরিবা সী এম য়াওবা থৌরম মফম মনাক্তগী ফারগা তমথিনা হাৎখিবা অথুৱান অবোনমাইনি। অদুনা হৌজিক হায়নরিবা অসিদা হংদবা য়াদবা অমা ওইনা মণিপুরদা সীজফায়র লৈ-লৈতে হায়বসি ইন্দিয়া অমসুং মণিপুর লৈঙাক্লা শেংদোকপীরকউ হায়না কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (সী পি আস)গী ৱাঙাঙলোয় আর কে অমুসনানা ফোঙদোকখ্রে।

সী পি আইগী ওফিসতা পাউমীশিংগা উনবদা আর কে অমুসনানা মখা তারদুনা পাউমীশিংদা হায়খি, হয়েং অসি সী পি আই নেসনল কাওন্সিলগী, ওল ইন্দিয়াগী মীফম পাঙথোক্কদৌরি। মসিদা ডা. এম নর অমসুং এল সোতিনকুমারসু শরুক য়াগনি। মসিদা অথুৱান অবোনমাইগী মীহাৎ অসিবুসু পুখৎতুনা খঙহনগনি। মরমদি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা ইন্দিয়াগী মীয়ামদা মণিপুরদা সীজফায়র লৈতে হায়বসি লাউথোক্তুনা খঙহনবা লৈখ্রবনি। অথুবদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা শেংদোক্কদবনি, মণিপুর লৈঙাক্কী সী এমনসু মীয়ামদা খঙহন্দুনা শেংদোক্কদবনি।

মরমদি মরিপুরদা মীহাৎ-মীপূন চথুবা হায়বসি মসিনা অহানবসু নত্তে। অদুগা ফোঙনা মীয়াম খঙনা মখোয়গী কেম্পতা পাঙথোকপা থবক থৌরম কয়া মীয়াম্না তারি উরিবা ঙাক্তনি। মখোয়না ওৎপা-নৈবা কয়া চথুরি। মণিপুরদা সীজফায়র লৈত্রগা করিগী মণিপুর লৈঙাক্লা মখোয়গী লৈরিবা কেম্পশিং অসি তকথোক্ত্রিবনো। লো এন্দ ওর্দর হায়বসি মণিপুর লৈঙাক্লা পায়বনি, সেন্টরনা পায়বা নত্তে। মসিদা উদনা অমদি উদনা লৈরিবা কেম্পশিং অসিদা লৈরিবশিংনা মণিপুর মীয়ামদা হিংবদা লৈতাদবা অকি অখঙ পোক্লিবা অসি সীজফায়র লৈরগনা লৈরে, লৈত্রগনা লৈত্রে হায়বীরো হায়বসি মণিপুর লৈঙাক্লা শেংদোক্কদবনি।

হায়রিবা কেম্পশিং অসি তকখায়দ্রিবমখৈ ইন্টিগ্রিটি পুরক্লবা লাউরবসু কান্নরোই, চঙশিনবদা কান্নবা ফংলোই। মণিপুরগী ইন্টিগ্রিটি পামজবা অথুৱান অবোনমাইনা লাউবগী হাৎলিবা অসিগুম্না মথং মথং হাৎলক্কনি। মসিদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লসু করি হায়দুনা অমদি মণিপুর লৈঙাক্ল সু মতম মতমগী থেল্লগা লৈগনি হায়রবদি ইন্টিগ্রিটি পাম্বগী ঙাঙবা শকপশিং মখোয়না হাৎনিংবা মতমদা হাৎপা তাবনি।

মীয়ামদা তাৎ-পাৎ তৌদুনা লৈবীগনু। গাড়ীগী দ্রাইভর কয়া হাৎপা, ফাবা, ফূবা কয়া তৌদুনা লাকই। অদুনা মণিপুর তংদু-লৈতাবা লমদম ওইহনগে হায়রবদি মণিপুরগী লৈমায়দগী এন এস সি এন-আই এম অসি লৈহল্লোইদবনি। অদুনা সীজফায়র লৈ-লৈতে মীয়ামদা শেংদোক্কদবনি। জে এ সীনা চঙশিনবা খোঙজংদা মতেং পাংগনি হায়খি।

### প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা ২০২৫ ফাওবদা টি বি মুখৎনবা পান্দম থল্লি: ডা. থাংপা



ইম্ফাল, ওক্টোবর ১ (ঐচএনএস):
ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা কুমজা ২০২৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবাক অসিদগী টি বি মুখৎনবা পান্দমদা চঙশিল্লকপা খোঙথাং অমা ওইনা মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা ষ্টেট টি বি সেল, মণিপুরগী ষ্টেট টি বি ওফিসর ডা. থাংপা সর্টোনা লুচিংবা টিম অমনা ঙসি দি সী ওফিস জিরিবামদা এনজি রোবিন, কন্সলটেন্ট, দব্লিয়ু ঐচ ও, এদমিনিষ্ট্রেসন, মেদিকেল দিপার্টমেন্ট অমদি চাইল্ড ৱেলফ্যের আশ্রম (সী দব্লিয়ু এ) গী ওইবা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। লোয়ননা জিরিবাম হোস্পিটালদা টি বিগী খূৎশু-খূৎলায়শিং থম্বা য়াবা বিল্ডিং ষ্ট্রকচর ওইরব্রা হায়না য়েংশিনখ্রে।

হীরম অসিগা মরী লৈননা ডা. থাংপা সর্তো, ষ্টেট টি বি ওফিসর, মণিপুরনা ফোঙদোকখিবদা, ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা কুমজা ২০১৬কী মার্চ ২৬তা হৌখিবা 'ৱিৱিল দিফিট টি বি' বাই ২০২৫ হায়বা গোল অদু ফংনবা জিরিবামদসু হৌবা লাকপনি। সেপ্টেম্বর ১২দা মফম অসিদা লাক্তুনা ঐখোয়না হেল্থ এক্টিভিটি কয়া অমা চথুদুনা লাক্লি। মদুদা জিরিবামদগী কেস ৪ ফংখ্রে।

হায়রিবা এক্টিভিটি ময়াম অদু মোনিটর তৌরগা অমুক ঐখোয়না জিরিবাম অসিদা লোত্তুনা লৈরিবা টি বি এক্টিভ কেসেস পূম্বা খঙদোল্লগা মখোয়বু ত্রিটমেন্ট তৌদুনা জিরিবাম অসিদগী টি বি মুখৎনবা ঐখোয় পূন্না হোৎনমিন্নসি হায়বগী ৱাখল্লোন্দা মীফম অসি পাঙথোকচবনি। লোয়ননা ২০২৫ ফাওবগী মনুংদা জিরিবাম অসিদসু টি বি অসি মুখৎপা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়বা ৱাফমশিং থমখি।

আর কে বুশো, দিষ্ট্রিক্ট প্রোগ্রাম মেনেজর (দি পি এম) জিরিবামনা হায়খিবদা- জিরিবামদা ষ্টেট টি বি সেল টিম অমা লাক্তুনা ঙসি টি বিগী মতাংদা মীফম অমা পাঙথোকপা অমদি মখা তানা টি বি অসি জিরিবামদা লৈহন্দনবগীদমক্তা জিরিবামদা পাঙথোক্কদবা এক্টিভিটি অমসু এক্সন পায়খৎপদা টি বিগী ইক্বিপমেন্টশিংসু থম্বীনবা হায়জরি হায়খি।

### 'লম্লাই মায়কৈগী মহৈরোয়শিংদা বি এস সী এগ্রিকলচর তম্বগী খুদোংচাবা পীবিয়ু'

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১ (ঐচএনএস):
লম্লাই এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী অপূনবা মীশিংগী চাদা ৯৫ দি লৌমীনি। লৌফম পরি ১২,০০০ রোম হেন্না লৈবা মণিপুরগী ওইনা খ্বাইদগী য়াম্না লৌফম লৈবশিংগী মনুং চল্লিবা মায়কৈ অসিগী মহৈরোয়শিংদা বি এস সী এগ্রিকলচর অমদি এম এস সী এগ্রিকলচর তম্বগী অহেনবা খুদোংচাবা মণিপুর লৈঙাক্লা পীবিফম থোকই হায়না লম্লাই মপারি থৌগল লুপকী সেক্রেটরিনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা, অসিগুম্বা সবজেক্ট অসি তম্বদা পূক্লিং থৌগৎপা ওইনা স্কোলারশিপ পীবিরগদি মণিপুর চাথোক মরাং কায়বা চীঞ্জাক্তা মীপাল তাংদবা লম ওইগনি। লম্লাই মায়কৈদগী কাখিবা এম এল এশিংনা অসিগুম্বা হীরম অসি মীরাইবীরম্বনা ঙসিদি লৌমী মীয়াম খম থেংনা ৱানরে। লম্লাই এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদা ঈথৈ লৌখোং মরাং কায়না শেমগৎপীবগা লোয়ননা পোখোক-চাথোক লৈবা মরূশিং ফংহনবীদুনা ঐকোয়গী লৌফমশিংনা অনীলোকপী য়াহনবীরগদি লম্লাই এ সীগী লৌমীশিংনা মণিপুর পূম্বা থাকপা ঙম্নবা ফৌথোক চাথোক পুথোকপা ঙমগনি হায়রি।

ময়োল লমগী মহৈরোয়শিংনা লৈঙাক্কী থবক ফংনবা বি এস সী এগ্রিকলচর নৎত্রগা এম এস সী এগ্রিকলচর তমদুনা লৈরি। লম্লাই মায়কৈগী মহৈরোয়শিংদা অসিগুম্বা খুদোংচাবা পীবিরগদি লৌমী লিশিং কয়ানা থেংনরিবা অৱাবসি কোকপা ঙমগনি। মরম অদুনা মণিপুর লৈঙাক্লা কুমশি চহী অসিদগী বি এস সী এগ্রিকলচর তম্বদা লম্লাই মায়কৈগী মহৈরোয়শিংদা অহেনবা খুদোংচাবা পীবিয়ু হায়না পোলিটিকেল এক্টিভিষ্ট সাপম কংলৈপাল মৈতৈনা লম্লাই মপারি থৌগল লুপনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা লময়ানবা হিজম ইরাবত ১২৫শুবা মপোক কুমওন থৌরমদা ফোঙদোকখি।

লৌফম খ্বাইদগী মশিং য়াম্না লৈবদা নত্তনা লৌমী চাদা ৯৫ লৈবা লম্লাই মায়কৈগী মহৈরোয়শিংদা বি এস সী এগ্রিকলচর অমদি এম এস সী এগ্রিকলচর তম্বগী খুদোংচাবা পীবা অমদি পূক্লিং থৌগৎপা ওইনা স্কোলারশিপ পীবিবা হায়বসি খ্বাইদগী মরম চাবা অমদি চীঞ্জাক্তা মীপান তাংদনবা থৌরাং ওইগনি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অসিদা রিসোর্চ পর্সন ওইনা শরুক য়াখিবা সোসল সাইন্টিষ্ট ডা. লাইশ্রম ধনবিরনা ৱর্ক কলচর প্রমোত তৌনবাইীরম কয়াদা অফবা ৱাখল্লোন মীয়ামদা থমখি। লৈবাক্কীদমক ৱাজরকপা মীওইশিংদা মীয়াম্না মপূং ফানা শৌগৎফম থোকই। খূদাং পিফম কংদ্রবী মণিপুর ইমাগী অৱাবা কোক্ল বা ঐখোয় খূদিংমক্লা হোৎনফম থোকই। মরৈবাক নুংশিবা মীনা লৈঙাকপা ওইরক্লবা মতমদা ইমা লৈবাক্লা মীথোই মীহেনবা ওইরক্কনি। মীয়ামগী য়াইফবা তুংলমচৎ অমা শেমগৎপা ঙমগনি। লময়ানবা ইরাবতকী কখোকপগী ৱাখল্লোনবু চৈঙাক পীখিবদা লময়ানবা অসিগী লোয়নবীগী অচৌবা থৌদাং য়াওই। মরম অদুনা ওল্লকপা চহীদগী লময়ানবা অসিগী থৌরম পাঙথোকপদা লোয়নবীগী মীতম অমসু য়াওহন্দুনা হৈকৎ-লৈকৎ তমসি হায়বা ৱাফমসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা অঙোম ইমো উপ-প্রধাণ নোংগ্রেন চিংনুংখোক গ্রাম পঞ্চায়ত, থোকচোম রনেল উপ-প্রধাণ তেলৌ চানা সৈজাং গ্রাম পঞ্চায়ত মোইরাংথেম শান্তি এক্স-প্রধাণ শওম্বুং গ্রাম পঞ্চায়ত, ডা. এস বিজয় শওম্বুং, সোসলা ৱর্কর দব্লিয়ু বিরকুমার শওম্বুং, সোসল ৱর্কর লাইশ্রম রঘুমনি অমদি লম্লাই মপারি থৌগল লুপকী লুচিংবশিংনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।